**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 14-10-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৪-১০-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌলুপকী মীওই অমা অমসুং শেল খাইবদা চেন্নবা মীওই অমা পুন্না মীওই অনি ফারে।

২) নেসনেল দিৱোর্মিং ডেগী অনিশুবা তাঙ্কক ঙসি রাজ্য থাক্তা হৌদোক্কনি।

**অমসুং**

৩) লৈবাক অসিদা তেক্স খোমগৎপগী চাং চাদা ৬.৩৩ য়ৌদুনা চৎলিবা শেনবা চহী অসিদা হৌজিক ফাওবদা লূপা কোতি লাক্ষ ১১ লিশিং ৮৯ য়ৌরে।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎখ্রে। মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবালা মমাঙ পাৎতগী মেগজিন য়াওবা ইন্সাস এল.এম.জি অমা, এস.বি.বি.এল গন অমা, চাইনিস হেন্দ গ্রেনেদ অমা য়াওনা নোংমৈ মরু, ত্যুব লোঞ্চিং সিলিন্দর অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙম্লে। জিলা অসিগী মোইরাং পুলিস স্তেসননা কোনবা কৈফা রোদতগীসু মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি স্নাইপর রাইফল অমা, কন্ত্রি মেদ স্তেন্দ গন অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু কন্ত্রি মেদ পিষ্টোল অমা, তেলেস্কোপ অমা, রবর ত্যুব অমা, বি.পি পাউচ অমদি বি.পি প্লেট কয়া ফাগৎলে।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী নেপালি বস্তিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি, কন্ত্রি মেদ মোর্তার(পোম্পী) অমা, কন্ত্রি মেদ গ্রেনেদ অনি, কন্ত্রি মেদ সেল অহুম, কন্ত্রি মেদ মোর্তার বোম ৮, এ.কে.ফোর্তি সেভেন এমতি কেস ১৫, সেভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী নোংমৈ মরু ২৫ অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি-অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমদি অতৈ আইননা য়াদবা থবকশিং তৌবা মীওইশিং মরু ফংনা মুথৎনবগী পান্দমদা চথুরকপা ওপরেসনগী শরুক অমা ওইনা ঙরাংসু তেংনৌপল জিলাদগী মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অসিদগী মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎখিবগী রিসিট বুক অমা ফংবা ঙমখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পার্ট ফোর এরিয়াদগীসু কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী কাদর অমা ফাখি।

**ডে (এল)ঃ** নেসনেল দিৱোর্মিং ডেগী অনিশুবা তাঙ্কক ঙসি রাজ্য থাক্তা হৌদোক্লগনি। দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেস মণিপুর অমদি ষ্টেট হেলথ সোসাইতি নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা শিন্দুনা লম্ফেলদা লৈবা আই.এম.এগী হেরিতেজ হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.এন.হেমন্তকুমার সিংহ, ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর ডা.এম.দিনেস সিংহ, সোসিয়েল ৱেলফিয়রগী দাইরেক্তর অনা অরাম্বম অমদি ইদ্যুকেসন(এস)কী দাইরেক্তর এন.জি ভোগেন্দ্র শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা অঙাংশিংদা তিল লৈতনবা হিদাকশিং পীজগনি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** আধার মেন্দেতরি বাইওমেত্রিক অপদেট(এম.বি.য়ু.ৱান অমদি টু) অমদি আধার এনরোলমেন্টদা মীয়ামা, মরুওইনা মহৈরোইশিংবু হেন্না শরুক য়াহন্নবগী পান্দমদা বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা আধার এনরোলমেন্ট কেম্প পাঙথোক্লগনি। বিষ্ণুপুরগী দিপ্যুতি কম্মিসনর পুজা এলাংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না-জোনেল ইদ্যুকেসন ওফিসর জোন ফোরগী মখাদা লৈবা বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা হায়রিবা কেম্প অসি পাঙথোকপীনবা স্কুলশিংগী প্রিন্সিপাল অমদি হেদমাষ্টরশিংদা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎনবা খঙহল্লি। লোয়ননা, মমা মপা ওইবশিংনসু হায়রিবা কেম্প অসিদা মচাশিংবু শুংশোই শোইদনা য়াওহনবীনবসু দি.সিনা আপিল তৌরি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** ইন্দিয়ন নেসনেল কংগ্রেসনা শিন্দুনা ভারত পুম্বদা চথরক্লিবা ভোট চোর গাদ্দি ছোরগী কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং খুন্দ্রাকপম ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং মল্টি পর্পজ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মণিপুরদা হৌখিবা পুং ২৪ দা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা মীওই ৪২ থেংনখি। জেনিমস হোস্পিতালদা ঙরাং মীওই ২৩ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। রিমস হোস্পিতালদনা মীওই ১৮ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। শিজ হোস্পিতালদা মীওই অমা পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। রাজ্য অসিদা হৌজিক ফাওবদা সেম্পল লিশিং ৫,৬৩০ টেষ্ট তৌবদা মীওই লিশিং ২,৩৪৩ পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি।

জিলা জিলাগী ওইনা য়েংবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলানা খাইদগী মশিং য়ামা মীওই লিশিং ১,৬৮৬ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদনা মীওই ৩৬৫ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি।

**মীহাৎ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী য়াইস্কুল চিংঙাখম লৈরক্তা মশাগী যুমদা নুপী অমা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা শিদুনা লৈরল্লে । লৈখিদ্রবা মীওই অদু রিমসকী ফিসিওথেরাপিষ্ট ওইনা থবক্তগী পোত্থারবা ডা.অঙোমনিঙোল অশেম ওংবী রিতা দেবী কৌই হায়রি। মখোয়গী য়ুম অদুদা মহাক্কী মপুরোইবা অমদি মচানুপাগা পুন্না মখোয় অহুমখক্তমক লৈবনি । পুলিসকী পাউনা হায়-থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ রোম তাবদা ডা.রিতা মশাগী ময়ুমগী অনিশুবা ফ্লোরদা লৈবা কা অমদা তারগা লৈরমখি। মহাক্কী মচানুপানা ইহান হানবা ওইনা থেংনরক্তুনা খুদক্তা রাজমেদিসিতিদা পুখৎপদা শিরগা পুরক্লে হায়না ডোক্তরশিংনা খঙহল্লকখিবনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস স্তেসননা কেস অমা লৌখত্তুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

**ৱেদর (এল)**ঃ নোনে জিলাদা ঙরাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৫.৮৯ য়ৌনা শাখি। রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীবা অইং অশাগী রিপোর্টতা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৭ তগী ঙরাং নুংথিল পুং ৬ ফাওবদা বিষ্ণুপুর জিলাদা শাবগী চাং ৩৪.১১, ককচিং জিলাদা ৩৩.৬৩,

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ৩২.৯৩, চুরাচান্দপুর জিলাদা ৩২.০৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা ৩১.২৭, কাংপোকপী জিলাদা ৩১.৫ য়ৌনা শাখি।

**তেক্সঃ** লৈবাক অসিদা তেক্স খোমগৎপগী চাং চাদা ৬.৩৩ য়ৌদুনা চৎলিবা শেনবা চহী অসিদা হৌজিক ফাওবদা লূপা কোতি লাক্ষ ১১ লিশিং ৮৯ য়ৌরে। ইনকম তেক্স দিপার্টমেন্টনা হায়-চহী অসিগী এপ্রিল ১ দগী থা অসিগী ১২ ফাওবদা পুন্না লূপা কোতি লাক্ষ ৫ হেন্না খোমগৎলে। মমাঙ চহীগী হায়রিবা মতম অসিদা তেক্স খোমগৎপগী চাং লূপা কোতি লাক্ষ ৪ লিশিং ৯২ খক্তা ওইরম্বনি। লৈবাক অসিগী ওইনা অপুনবা তেক্স খোমগৎপগী চাং হৌখিবা চহীগা য়েংনবদা চাদা ২.৩৬ কী চাংদা হেনগৎলে হায়রি।

**ত্রম্পঃ** অমেরিকাগী রাস্ত্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা ভারতপু শক্তি লৈবা লৈবাক অমনি হায়না শিংথাখ্রে। ফিভম অসি ওইরকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু মহাকা থাগৎখি। ইজিপতা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অমদা শ্রী ত্রম্পনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু অফবা মরুপ অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা মশক নাইবা থবক কয়ামরুম লৈবাক্কীদমক পায়খৎলি হায়না ফোঙদোকখি।

ভারত অমসুং পাকিস্তান লৈবাক অনিগী মরী ফগৎলক্লগনি হায়বগী থাজবসু রাস্ত্রপতি ত্রম্পনা ফোঙদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শিল্লোংদা লৈবা মণিপুর রাজবারি থুগাইখিবদা মীয়ামা পেন্নদবগী পাউ, এক্সিদেন্ট রিপোর্টকী মতাংদা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপকী পাউ অমদি নুপী অমা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা শিরগা লৈরম্বগী পাউশিংনা ঙসি ফোঙবা পাউশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মণিপুর রাজবারিদি ফাউন্দেসনগা ফল্লাং অমগা লেপ্তুনা লৈহৌরি হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা বেনর হেদলাইন তৌরে। শাগৎকদৌরিবসি য়েংশিন্নবা লৈঙাক্কী কম্মিতি শেমখ্রে অমদি মণিপুরগী রাজবারি থুগাইখিববু মহৈরোইশিংনা কন্না য়ানিংদে হায়বা পাউশিং অসিনা সব-হেদলাইন ওইনা পীরি।

সনালৈবাক্তা- মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী অমোৎপশিং শবাক ফাকতোরক্লে, ভি.সি লোকেন্দ্র সস্পেন্দ তৌদুনা এনক্কারি তৌগদবনি হায়বা কে.এস.এগী ৱাফম অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মণিপুর গারি মশিং হেনগৎলকপনা এক্সিদেন্ট থোক্কনবা মফম ওইরে, ইন্দিয়াগী ওইনা রোদ এক্সিদেন্টতা শিবগী চাং চাদা ৯.৩ ওইরবসু মণিপুর ওইনদি চাদা ২৯ দা লৈরি হায়বা এদ্দিসনেল চিফ সেক্রেটরি অনুরাগ বাজপাইগী ৱাফম- পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- য়াইস্কুল চিংঙাখম লৈরক্তা নুপী অমা মশাগী য়ুমগী সেকেন্দ ফ্লোরদা হাৎলগা থল্লল্লে হায়বা পাউ অমসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বদা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- মোদি অমসুং অমিত শাহগী মখোঙ কোল্লগা চিফ মিনিষ্টরগী ফমদগী তাদনবা হোৎনবা লিদর অমত্তা কংগ্রেসতা য়াওদে হায়বা কংগ্রেস এম.এল.এ রঞ্জিৎকী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রাজবারি অমুক হন্না শেমজিনবদা য়েংশিন্নবা কম্মিতি অমা শেমখ্রে হায়না- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- মণিপুর মেলদসু

অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলে।

রাজবারি বিল্ডিং থুগাইখিবগী ৱাথোক থোক্লিঙৈ মণিপুর থুগাইদুনা য়ুনিয়ন টেরিটরিগী দিমান্দ হেন্না কনশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউ অসি- নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মুইভা লাকপদা তরামা ওকবগীদমক উখ্রুলদা শেম শাবা পুমমক লোইরে হায়বা পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোঙলে।

পি.আই.বি ইম্ফালনা স্বাছতা হি সেভা কেম্পেইন চথখিবগী পাউ- মণিপুর মেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলে।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- লন্থী শেমদবগীদমক এস.দি.এস.এনা সেনাপতিগী এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিস ছো লোনশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- মণিপুর কংগ্রেসনা এশেমল্লি দিজোলভ তৌদুনা মীখল নৌনা পাঙথোকবা দাবী তৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- জাদোনং মেমোরিয়েল কোলেজকী কোলেজ ৱিক হৌদোকপগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**